**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-09.2024)**

**রেল্লি (এল)ঃ** হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১ দগী মৈতৈ মীচম মীয়াম মরক্তা দ্রোনদগী বোম থাদবা অমদি মখল কয়াগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা মীহাৎ চথরকপবু য়ানিংদবা ফোংদুনা ঙসি মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

ইম্ফালগী কৈশামপাৎ, য়াইস্কুল-মোইরাংখোম, শঞ্জেন্থোং অমসুং খুয়াথোংনচীংবা মাইকৈ কয়াদগী মহৈরোই লিশিং কয়ামরুম লাউদুনা মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলো তমা চংশিল্লকখি। অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিংদুনা থমখি। মহৈরোই কয়া মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলো মমাংদা ফমজিন্দুনা লৈখি।

তুংদা, মহৈরোইশিংনা মনিপুর কল্লু, ঐখোয় ভারত মচানি, তুমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং হনখ্রো, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পি. মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা রাজ ভবন তমা চংশিনখি। মখোয়না রাজ্যপাল-লক্ষ্মন প্রসাদ অচ্যারিয়াগা উন্ননবা হায়বদা রাজ্যপালনা অয়াবা পীরকপদগী মহৈরোইশিংগী মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপালগা উন্নখি হায়রি। উন্নবা অদুদা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱারোল কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা খুৎশিন্নখি। ৱারোলশিং অদুগী মনুংদা-সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পি খুদক্তা লৌথোক্কদবনি, য়ুনিফাইদ কম্মান্দ মুখ্য মন্ত্রিদা অমুক হন্না শিন্নগদবনি, এম.এল.এ. ৫০ গী চপ চাবা ফিরেপ থম্মু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি পুং ২৪ গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকবা দাবী তৌখি।

রাজ ভবন মমাংদা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা মুকরকপদগী মহৈরোইশিং অদুবু তানখায়নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা

টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মদুদা মহৈরোই ২৬ অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মহৈরোইশিং ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলি।

মহৈরোইশিং অদুনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ বজার তমা লাকপদা কৈথেল ফন্বী ইমা-ইবেলশিংনা খোঙজং অদুবু শৌগৎপগা লোয়ননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পরিং থৌরি থৎতুনা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌহনখিদে।

থৌবাল জিলাদসু মহৈরোই লিশিং কয়ানা জিলা অদুগী দিপুটি কম্মিস্নরগী ওফিস ফাওবা ৱাকৎ খোংচৎ চৎখি। তুংদা দিপ্যুটি কম্মিস্নরদা দাবী মরি য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপখি। মদুদা মহৈরোই তরুকলোম অমসুং পুলিস কন্সটেবল অমা অশোক অপন নংখি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপশিংগী অপুনবা লুপনা শিনদুনা ঙসি চৎখিবা খোঙচৎ অদু থৌবাল ওক্রমদগী হৌরগা নেসনেল হায়ৱে-১০২ গী পরিংদা লাক্তুনা থৌবাল দি.সি. ওফিস তমা লাকখি।

ককচিং জিলাদা শান্তি ওইনা ৱাকৎ খোংচৎ অমা ককচিং সুমাক লৈকাই শান্নবুংদগী ককচিং ৱাইরি খুঞ্জামপাৎ লমপাক ফাওবা চত্তুনা মীয়ামগী মীতিং অমা পাংথোক্লগা খোংচৎ অদু লোইশিনখি।

মহৈরোইশিংগী শান্তিগী খোঙচৎ অমা ওইনা রাজ ভবন তমা চংশিল্লকখিবা মহৈরোইশিংদা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মহৈরোইশিং তানখায়নবা হোৎনবদা মহৈরোই ২০ শোকহনখিববু সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা কাংপোকপী জিলাদা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটিগী লমজিং মখাদা মীওই লিশিং কয়ানা অসাম রাইফলস লৌথোকপা য়ারোই অমসুং কুকি-জোগী রাজনিটিগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিনগবনি হায়বা দাবি তকশিন্দুনা

কাংপোকপী ইমা কৈথেলদগী দি.সি ওফিস ফাওবা ৱাকৎ খোংচৎ চৎখি। তুংদা দি.সিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগা থোমাস গ্রাউন্দা মীফম পাঙথোকখি।

খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা শিনদুনা মনিপুর মুখৎপা য়ারোই হায়বা হীরমদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা থৌবাল ৱাংমতাবা দেবী মান্দপতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ঐখোয় নীংতম্বা পাম্মী, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাজবা থমদ্রে। মনিপুরদগী সেন্ত্রেল ফোর্স লৌথোক্কদবনি, ঐখোয়গী লৈঙাক ঐখোয়না ঙাকচগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়ামরুমসু লাউখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি খোঙজং চংশিল্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমসুং কলেজশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা তোঙান তোঙানবা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগা উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা চরাংবা অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা অমদি শিক্ষাগী লমদা অয়েৎ অপন পীদনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রিনা-ইম্ফাল কলেজ, দি.এম. কলেজ, মনিপুর কলেজ অমসুং ইবোতোনসনা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংগা উন্নখ্রে। মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নবা অদুদা মহৈরোইশিংনা হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা চরাংনবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকখি হায়রি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি হৌজিক্কী মতমদা শিক্ষাগী লমদা পীরিবা শাফুশিং অদুগী মতাংদসু কুপা খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হীরমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংগা উন্নবা অদুদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা

অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্দুনা মহৈরোইশিংগী ক্লাস শান্তি লৈনা পাঙথোক্তুনা মখোয়গী একাডমীক কেরিয়র কায়দনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিদা মহৈরোইশিংনা মায়োকরিবা সমস্যাশিং লুমা লৌই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**লুপ (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না চিংখোংদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি, লন-থুম অমসুং হিংবগী হক ঙাকা থম্বীয়ু হায়না উরিপোক অপুনবা লুপনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখ্রে।

রাজ্যপালগী খুত্থাংদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা চহি অমা থা মরিরোম ফাজিল্লক্লবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কুকি খুলশিংগা তায়নবা মফমশিংদা দ্রোন জম্মর অমদি অহেনবা সেক্যুরিতি থম্বীবা, ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক য়াংশিলহনবা, আইন কায়না চংল্লকপা মীতোপশিং মরমদমদা হলহনখিবা, ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংদা মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীবিয়ু হায়না দাবী তৌরি।

**এম্বুলেন্স (এল)ঃ** এম্ব্যুলেন্স সার্ভিস তৌরিবশিংদা অয়েৎ অপন পীবিদনবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা আপিল তৌরক্লি।

সোসাইতি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি, থাকপম নবাচন্দ্রনা হায়-এম্ব্যুলেন্স সার্ভিসকী মতেংনা মীয়ামগী থৱায় কল্লিবনি। এম্ব্যুলেন্স সার্ভিসনা অশোক অপন অনাবশিংবু মতম চানা হোস্পিতালদা য়ৌহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-মনিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা এম্ব্যুলেন্স সার্ভিস পীদুনা মীয়ামগী মতেং পাংলি। মরম অদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা এম্ব্যুলেন্স সার্ভিস তৌরিবশিংদা মতেং পাংবীনবা অমদি অয়েৎ অপন পীবিদনবা মহাকা আপিল তৌরি।

**স্কুল (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা এদুকেসন সেক্তরবু ঙাকপী শেনবীদুনা মহৈরোইশিংগী মহৈ মশিং তম্বগী কাংলোন অসিবু কায়দনবা হোৎনবীয়ু হায়না ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন-ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কোবিদ নাইন্তিনা মহৈ মশিংগী লমদা চাউনা চৈথেং পীখ্রবা মতুং রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী লাননা অমুক্কা হেন্না মহৈরোইশিংদা চাউনা চৈথেং পীরি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৫৩ নৌনা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী পাউ মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা নৌনা কেস ৩৮, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা কেস ১২, চান্দেল, কাংপোকপী অমসুং ককচিংদা কেস অমমম থেংনখি।

রাজ্যগী মেলারিয়া ওফিসার ডা: সলাম প্রিয়োকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ঙরাং ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুন্না ১৫৪ শুরে। ইম্ফাল ইষ্টতা ৭৮, বিষ্ণুপুরদা ১৪, থৌবালদা ২১, ককচিংদা ৭, উখ্রুলদা অহুম, চান্দেলদা মরি, কাংপোকপীদা অহুম, তমেংলোংদা অমনি। মসিগী মনুংদা তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, জিরিবাম, সেনাপতি, নোনে, কামজোংদদি দেঙ্গিগী লায়না শন্দোকপগী পাউ লৈতে।

সরকারগী মায়কৈদগী ফোগীং, সোর্স রিদক্সন, লৈকাই লৈকাইদা এৱারনেস পীবা, রেদিও টোল্ক, টি.ভি. দিসক্সনদা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী অমা ফাওবদা দেঙ্গি পোজিটিব কেস অসি ২৩৪ ওইখিবনি হায়রি।

**সুইসাইদ (এল)ঃ** ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে-২০২৪ অমসুং ওল মনিপুর

ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী গোল্ডন জ্লি সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা মেদিয়াগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা মনিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

সুইসাইদকী ৱাখল্লোন হোংদোকপা হায়বা থিমদা সিয়ার এন্দ কেয়ার ৱাংখৈ অমসুং অমজ্না পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মেন্টেল হেলথ এক্তিভিষ্ট-ডা: আর.কে. লেনিনা হায়-নেসনেল ক্রাইম রিপোর্ট ব্যুরোগী মতুং ইন্না মনিপুরদা সুইসাইদ তৌবগী চাং য়ামা নোমা উই। মসিগী মরুওইবা মরমদি, মনিপুরদা সুইসাইদ তৌরগা শিজবা অসি রিপোর্ট তৌবগী চৎনবী লৈতবা অমসুং ইমুং মনুংনা মীশি অসিবু ইকায়বদগী লোৎতুনা থম্বদগানি।

মহাকা হায়-মনিপুরদা সুইসাইদ তৌরগা শিবগী কেস ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রিপোর্ট তৌদবনা নেসনেল রিপোর্টতা নেম্বগী মরম অমা ওইরি। ডা: লেনিনা হায়-কনাগুম্বনা সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল্লোন হেক লাকপদা অখঙ অহৈশিংনা তান্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অমজ্গী প্রসিদেন্ট-বিজয় ককচিংতাবম অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী থবক্তগী পোত্থাখ্রবা প্রোগ্রাম হেদ-অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মসু ৱা ঙাংখি।

**নোনে (এল)ঃ** থা অসিগী ১৪ দগী মথং থাগী অমা ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্বাস্ত হি সেভা থৌরমগা মরী লৈননা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী সব-দিভিজনেল ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। ঙসিগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**দিবস (এল)ঃ** ইন্সটিটিউট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট

(আই.বি.এস.দি) ইম্ফালনা শিনদুনা হিমালায়ান দিবস ঙসি পাঙথোকখ্রে।

হিমালায়ান চিংশাংগী মরুওইবা অমসং মসিবু য়োকখৎতুনা থন্বগী তঙাইফদবা হায়বসিগী মতাংদা সেমিনার অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.বি.এস.দিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-পুল্লোক কে. মুখর্জিনা ইষ্টর্ন হিমালায়নদা ফংলিবা বাইও রিছোর্সেসশিং য়োকখৎতুনা থমবা অমদি মসিবু হৈ-শিংনা শিজিন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার, মন্ত্রি পুখ্রিগী প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অমদি চিংমৈরোং য়ুথ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা থাংজম বিরচন্দ্র মায়পাকপী কম্যুনিতি হোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা নুপী ৫৩ অমসুং নুপা ৩৮ পুন্না মীওই ৯১ লায়েংখি।

**নবকিশ্বর (এল)ঃ** নুঙগী লায়েংদা মীয়ামা শকখঙনরবা পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর, ঙসি মশাগী য়ুম শগোলবন্দ খামনাম লৈরক্তা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৯ শুখ্রে।

লাইশ্রম নবকিশ্বরনা নুঙ লৈবগী লায়েং চথখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা ইং ২০০১ দা ভারত সরকারনা পদ্মশ্রী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মহাক ইং ২০০5 দা করমা যোগী এৱার্ড অমসুং ইং ২০০৬ তা ডাক্তর অম্বেদকর ফেলোসিপ পীদুনা ইকায় খুমখি। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা নুঙগী লায়েংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লাইরিক কয়াসু ফোংখি। মহাকা অহল ওইরবা লৈত-লাইরবা মীওই কয়ামরুমদা পেন্সন পীবগী থবক হৌদোক্লমখি।

**দে (এল)ঃ** দা সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমনগী ৪২ শুবা কুমওন থৌরম ক্লব অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা মেরিটোরিয়স

স্পোর্টস এৱার্ডশিং য়েন্থোকখি।

**ফুটবোলঃ** চহি ১৭ মখাগী নুপা মচাগী জ্নিয়র সুব্রোতো কপ ফুটবোলগী ফাইনেলদা মনিপুরগা মেঘালয়গা থেংনরগনি। ফাইনেল থা অসিগী ১১ দা ন্যু দিল্লিগী ডা: বি.আর. অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা মণিপুরনা শ্রীলঙ্কাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

সুব্রোতো কপ অসিদা টি.জি ইংলিস স্কুল বিষ্ণুপুরনা মণিপুরগী মহুৎ শিল্লি। শ্রীলঙ্কাগী টিম অদুনা শ্রীলঙ্কা স্কুলস ফুটবোল এসোসিয়েসন্না মহুৎ শিন্দুনা কপ অসিদা য়াওবনি। ঙসি মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হেরোবানা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা মেঘালয়না অরুনাচল প্রদেসপু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংল্লকখিবনি।

**ফুটবোলঃ** মনিপুর সব জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী ফাইনেল চংলে। নোংচুপ বেঙ্গোলগী বরহামপুর ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মনিপুরনা নোংচুপ বেঙ্গোলবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখিবনি। গেমস অসিদা মনিপুরগী এন. জ্লননা মেন ওফ দি মেটচ তাখি। ফাইনেল থা অসিগী ১১ দা ঝরখন্দগা শান্নরগনি।

**স্পোর্টসঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ ওফিসার অমসুং স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেদমিন্টন, রেসলিং, বোক্সিং অমসুং ফুটবোল মশান্নগী ওইবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অকুপ্পা মরোল দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল

ৱেষ্টতগী খঙবা য়াগনি।

**এম-পোক্স**ঃ মংকি পোক্সনি হায়বা চিংনবা কেসশিং খুদক্তা টেষ্ট অমসুং স্ক্রিনিং তৌনবা কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা মংকি পোক্সপু পব্লিক হেলথ ইমর্জেন্সি ওফ ইন্টরনেসনেল কন্সননি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী য়েংলগা কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি-অপুরভা চন্দ্রনা হীরম অসিগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। এদভাইজরি অদুগী মতুং ইন্না মীয়ামগী লায়চৎ অসিগী মতাংদা খঙহন্নবা অমদি অসিগুম্বা কেস থেংনবদা মতমদা মতম চানা রিপোর্ট তৌনবা অমদি মীয়ামদা মীপায়বা পোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌকৎকদবনি হায়রি।

মন্ত্রালয়না রাজ্যশিংনা জিলা থাক্তা হকশেলগী খুদোংচাবা পীরিবশিং নৌহৌননা য়েংশিন্নবসু খঙহনখি। রাজ্যশিংনা হোস্পিতালশিংদা অসিগুম্বা কেসশিং থেংনরকপা মতমদা মীওইশিং অদু থমবা আইসোলেসন ৱার্ড মশক খঙদোকবসু পাউতাক পীখ্রে।

**জিএসটিঃ** ৫৪ শুবা গুদস এন্দ সার্ভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) কাউন্সিলগী মীফম হৌজিক ন্যু দিল্লিদা চংখরি। কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুদা শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কস চৌধুরি অমসুং রাজ্যশিংগী শেল থুম মন্ত্রি শরুক য়ারি।

জি.এস.টি. কাউন্সিলগী মীফম চহি অসিগী জন থাদা পাঙথোকখিবনি। মদুদা স্কিল, এল্লুমেনিয়মনা শাবা শঙ্গোমগী কেনশিং, য়োৎতা লৌবা জি.এস.টিগী চাং চপ মান্ননা চাদা ১২ লৌননবা পস্তাব তৌখিবনি।